# মিয়াম্বু মিকুপ অমত্তং ওইরবসু পোথাহন্নবা হোৎনরিবা ফাগিনা মপুং ওইবা ফিল্ম "অবেথোই অঙাওবী"



মণিপুরী ফিল্মনা তং দু লৈতাদনা লৈরিবা ঙসিগী মীরোলশিংদা মীকুপ খরদং ওইরবসু পোথামিন্নদুনা হিংবগী ৱাহন্থোক খরদং ওইরবসু পীবা ঙম্লে হায়বসিদি হাইজিনবা ওইনা থোক্লরোই হায়বসি অফ-ফত্ত কয়াবু নৈনদুনা চহী অমদা পুথোক্লিবা মণিপুরী ফিল্ম অসিনা তাক্লি। ফিল্ম কয়া পুথোকখ্রে, পুথোরক্কদবসু পরেং লেংদুনা লৈরি। মসিনসু লোয়বা ওইরোই, তুংদসু অফবা ফিল্ম কয়া পুথোরকখিগনি হায়বগী অচুম্বসু ওইরিবা মণিপুরগী ফিল্মগী খোঙচৎ অসিনা তক্লি। চৎলিবা চহী অসিদা শুংশোয়দনা পুথোরক্লগদবা ফিল্মশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা "অবেথোই অঙাওবী" হায়রিবা ফিল্ম অসিসু অমা ওইরি।

সদানন্দ (বোইনাও), বিদ্যানন্দ (বোয়াই), মুকাব্লা (তোম্বা), রাকেস (অচৌবা), রাজ (মনি), বেনুস, ভিকি, লুৱাং, মোমোকো (অবেথোই), ইথোই (তোম্বী), মার্লি (লেম্বী), রুপশ্রী (মেম্মি) অমদি তায়েঞ্জম মেম্মনচিংবা হৈ-শিংলবা আর্ষ্টিসশিংনা শক্তম লাংলিবা "অবেথোই অঙাওবী" অসি গোবিন্দ য়ুম্নাম্মা খুদোল তম্বা, গীট য়ুম্নাম্মা দাইলোগ, স্ক্রিন প্লে, লিরিক্স, স্তোরি অমদি দিরেক্সন পীরিবা ফিল্মনি।

য়েক-শল্লাই ফিল্ম প্রদক্সন বেন্নরগী মখাদা পোন, তন্দল অমদি মমা ৭ হায়না মীংথোনবা মণিপুরী ফিল্মশিং মায় পাক্লা পুথোকখ্রবা মতুংদা মরিশুবা প্রদক্সন ওইগদৌরিবা কে ঐচ সনায়াইমানা প্রদ্যুসর ওইরিবা "অবেথোই অঙাওবী" চহী অসিগী ওক্টোবর থাদা পুথোক্লবা পান্দম থল্লি। চাদা ৯০ শেমশাবা লোইশিল্লক্লবা ফিল্ম অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা চাউরবা থৌদাং লৌমিন্নরকখিবশিংদি মেক্কপ্তা পোইজন, কষ্ট্যুমদা গালিপা অমদি নিপোন, শৈশকপশিংনা বীসো চনম্বম অমদি জোগিতা, কোরিওগ্রাফরদা মেনেকা, ষ্টিল কেমেরাদা সিজিট, সেনেমাতোগ্রাফর অমদি ইদিট্টিংদা সুর্জিৎ আর কেনি।

পুংশিং খঙদনা চরাং ন্নরবা লমদম অমা ওইরক্লবা মতমসিদা মীকুপ খরদং ওইরবসু নোকমিন্নদুনা অৱাবা পোথামিন্নদুনা হিংবগী ৱাহন্থোক খরদং ওইরবসু লৌমিন্নবা ঙম্ব্রা হায়বা পান্দম অমগী মখাদা পুথোক্লিবা "অবেথোই অঙাওবী" ফেমেলি প্লেদা কোমেদিনা মপুং ওইনা শেমগৎপা ফিল্ম অমনি।

মতমগী মীৎয়েং মখাদা মচানুপী অনী পুন্না লৈমিন্নবা ইমুং অমগী ৱারীনি। মচে অহলদি মপান লমগী প্রাইবেট কম্পেনি অমদা থবক তৌদুনা লৈখি। লৈহৌরিবা মনাও অচৌবা মহাক্কা নুংশিন্নরিবী মেম্মিনা চেল্লসি হায়বদা মমাগী মীহুল খঙবনা মতম অয়াম্বদা থৈদোক্তুনা লৈখি। তোম্বমক্কা নুংশিন্নরিবী লেম্বীবু চেল্লবনি হায়দুনা ময়ুমদা পুরকখি। মমানা হৈ-শিংনা মীয়াম খঙহন্দ্রিঙৈদা লেম্বীবু ময়ুমদা থিন্দোকপা মীকুপ্তুমক্তদা মচানুপী তোম্বীনা মহাক চেল্লবনি হায়দুনা ফোন তৌরকখি। হৈ-শিংলবা মমাদুনা মচানুপীবুসু ফাদোক্লখি। মচাশিংগী অনীংবা অপাম্বগী মায়োক্তা করিগীদমক লেপ্পিবনো হায়বদুদি মীরমদা লৈরিবী মচানুপী অহল অবেথোইবু হান্না ময়ুম পালহল্লবা মতুং থক-খা নাইনা মখা তাবা অতৈবুসু ময়ুম পালহনবগী ৱাফমনি। যুমদা লৈমিন্নরিবা মনাওশিংনা ময়ুম পান্নবগী নিঙাই চক্রিদা খাঙবা ঙম্লক্ত্রবা মমানা মীরমদা লৈরিবী মচানুপী অবেথোইবু মহাক নারে হায়জিন্দুনা কৌথোকখি। অবেথোইনা ময়ুমদা লৈরবা মতমদদি করি মরমগী মহাকপু কৌথোক্লিবনো হায়বা খঙখি। অদুবু অবেথোই ময়ুম পাল্লু হায়বা য়াখিদে। ময়াম চঙদুনা ময়ুম পান্নবা কয়ারক হোৎনরবসু অবেথোইগী খদ্রক্লা পুন্নমক অরেম্বা তাদুনা তোকই। করি মরমগী অবেথোইনা য়ুম পাল্লু হায়বা য়াদ্রিবনো অমদি করি মরমগী অবেথোইদগী "অবেথোই অঙাওবী" হায়রিবনো হায়বদুদি ফিল্ম অসিনা মপুং ওইরদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নবা মতমদা খঙমিন্নরসি।

লাইমকসু শোয়দবা ঙম্বা নত্তে হায়নরিবা মতমসিদা মীওইবনা শোয়বদি শোয়দবগুম্বনি। ফিল্ম অসি য়েংলুবা মতমদা ফিল্মসিগী হিরম খরদা খজিক্তুং শেমদোকহন্নিংবা লৈতবদি নত্তে। অদুবু মদুম্মক্লা ফিল্ম অসিগী মগুন মাঙহল্লি হায়বদি নত্তে। শেমদোহন্নিংলিবশিংদু শেমদোক্লবদি হেন্না মগুন য়াওবা হায়বদু ওইগদ্রা খল্লি হায়বনি। মফম খরখক্তা মতম ইচং চংদনা নম্বা ফিল্মশিংগী মনুংদা অমসু ওইরিবা "অবেথোই অঙাওবী" অসিবু দিরেক্সন পীরিবা অমদি ইদিট্টিং তৌরিবা অনীগী হৈ-শিংবা অমদি থৱাই য়াওবগী মমি অমদি ফিল্মসি য়েংলুবদা অদুম্মক উবা ফংই।

## সুর মৈতৈ







# নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা শান্নবগী পাউদম

**য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৬**

## পোলেন্দনা স্বিজরলেন্দবু পেনালটিদা থোইদুনা অমদি ৱেলসনা নোর্থন আয়রলেন্দবু মায়থিবা পীদুনা য়ুরো ২০১৬ ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে



সেন্ট ইটেনি, জুন ২৫ ঃ

য়ুরোপ কন্টিনেন্টকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী মরক্তা পাঙথোকপা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ুরো ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা পোলেন্দনা স্বিজরলেন্দবু পেনাল্টিদা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে। অদুগা ৱেলসনা নোর্থন আয়রলেন্দগা শান্নবদা মায় পাক্তুনা মখোয়সু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি ফ্রান্সকী সেন্ট ইটেনিদা সহরদা লৈবা জেফ্রি গুইচার্দ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ২০১৬ য়ুরো ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপকী অহানবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবনি। মদুদা শান্নবগী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা লৈখিবদগী এক্সত্রা টাইম হাপ্তুনা শান্নরকপনি।

মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু পোলেন্দগী মায়কৈদগী ব্লাজিকোস্কিনা মহাক্কী টিমমেটতগী ফংখিবা য়াম্না ফজবা পাস অমদগী পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ৩৯ শুবা মিনিটতা পোলেন্দনা স্বিজরলেন্দবু পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অহানবা হাল্ফ অদুদা পোলেন্দনা স্বিজরলেন্দবু মাঙজিল থাদুনা চৎখ্রবা মতুং অনীশুবা হাল্ফতা টিম অনীমক অকনবা লম্বা মখা চত্থখি। মদুদা পোলেন্দনা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লৈরিঙৈ অদুগা স্বিজরলেন্দনা ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। শান্নবগী ৮২ শুবা মিনিটতা স্বিজরলেন্দগী মায়কৈদগী সাকিরিনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু য়াম্না ফজবা মওংদা পুরক্তুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা অপীবা মতম ৯০ লোইশিনখি।

অপীবা মিনিট ৯০ গী মতুং অহেনবা মিনিট ৩০ শান্নরকপদা মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী পেনাল্টি কাউনবদা পোলেন্দনা পাঞ্জল ৫ চনবদা স্বিজরলেন্দনা ৪ খক চনখিবদগী মেটচ অদু পোলেন্দনা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবনি। স্বিজরলেন্দগী মায়কৈদগী কেপ্টেন গ্রানিট ঝাকানা কাউখিবা পেনাল্টি অদু চনখিদবদগী মহাক্কী টিম অদু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদবনি।

ঙসি অথেংবদা য়ুরো ২০১৬ কী অনীশুবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ শান্নবদা ৱেলস অমসুং নোর্থন আয়রলেন্দনা য়াম্না কন্না লম্বা তৌরবা মতুং নোর্থ আয়রলেন্দগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল চনবা য়াবা খুদোংচাবা খরা ফংখিবা অদু ৱেলসকী দিফেন্দরশিং নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙম্বদগী অহানবা হাফ অদু লোইশিনবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকখি। মদুদা ৱেলসকী মায়কৈদগী চত্থরকপা এটেক্টশিং অদুদা নোর্থন আয়রলেন্দগী শান্নরোয়শিং মনিং হন্দুনা ঙাকথোক্লবা কন্না হোৎনখি। অদুবু শান্নবগী ৭৫ শুবা মিনিটতা নোর্থন আয়রলেন্দগী মায়কৈদগী মেক্লিনা ৱেলসনা পুশিল্লকপা বোল অমা শোইবদগী মহাক্কী গোল লাইন মনুং য়ৌহনখিবা অদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ৱেলসনা মখোয়দগী পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচ অসিগী মাঙওইননা নোর্থন আয়রলেন্দ য়াম্না ৱানা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। অদুবু মখোয় মশানা অদু ফনা ফজরবসু টিম অদুগী মেক্লিনা তৌখিবা অশোইবা অদুনা টিম অদুগী মরাইবক লেপখিবা অদুনা মরম ওইরগা ৱেলসনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল নোক আউট ষ্টেজকী মেটচ অদু মায় পাক্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।



স্বিজরলেন্দগা পেনাল্টি কাউনবদা পাঞ্জল ৫-৪ দা মায় পাক্তুনা হরাওবা ফোঙদোক্লিবা পোলেন্দগী শান্নরোইশিং



নোর্থন আয়রলেন্দগা শান্নবদা মায় পাক্লবা ৱেলসকী কেপ্টেন বেল (ওয়) না টিমমেটকা হরাওবা ফোঙদোকপা

| Euro Cup 2016 Knock-Out Result | | |
|---|---|---|
| Date | Match | Score |
| 25/06/2016 | Poland bt Switzerland | 5-4 (P) |
| 25/06/2016 | Wales bt N. Ireland | 1-0 |

**PRE-QUARTER FINAL KNOCKOUT STAGE**

| Day / Date | Match | Time | Venue |
|---|---|---|---|
| Sunday 26 June | Croatia v Portugal | 00.30 AMIST | Lens |
| Sunday 26 June | France v R Ireland | 06.30 PM IST | Lyon |
| Sunday 26 June | Germany v Slovakia | 09.30 PM IST | Lille |
| Monday 27 June | Hungary v Belgium | 00.30 AMIST | Toulouse |
| Monday 27 June | Italy v Spain | 09.30 PM IST | St-Denis |
| Tuesday 28 June | England v Iceland | 00.30 AM IST | Nice |

## স্লোভাকিয়াগী চিবুলকোভানা জেক রিপব্লিক্কী প্লিজকোভা থোইদুনা ইষ্টবোর্ন টাইটল লৌখ্রে

লন্দন, জুন ২৫ ঃ

ইংলেন্দগী সহর ইষ্টবোর্নদা চত্থরিবা দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা চিবুলকোভানা জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাবু মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী সিদিংদা ১২ শুবা পোজিসন্দা লৈখিবী স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা চিবুলকোভানা ফাইনেল অসি য়ৌরকপগী লম্পেলদা প্যুর্টো রিকোগী মোনিকা প্যুগপু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-২, ৬-১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অমরোমদা চিবুলকোভাগী ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা গ্রেট বৃটেনগী শান্নরোই টুর্নামেন্ট অসিগী ১১ শুবা সিদেদ ওইরিবী জোহানা কোন্টাবু ৬-৭ (৫-৭), ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অদু স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা চিবুলকোভা অমসুং জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা অহানবা সেটতগী হৌদুনা অকনবা লম্বা তৌনখি।

অহানবা সেট অদুদা শান্নরোই অনীনা লম্বা মান্নখ্রবসু স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা চিবুলকোভানা জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা অহানবা সেট অদু ৭-৫ তা থোইখি।

শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা সেট অদুদা অকনবা লম্বা থেংনরবসু জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাগী সার্ভিস গেম অমা স্লোভাকিয়াগ দোমিনিকা চিবুলকোভানা মতাং মতম চানা ব্রেক তৌখিদুনা ফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা সেট অদু ৬-৩ দা থোইদুনা দব্লিয়ু টি এ এগোন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।



এগোন দব্লিয়ু টি এ কী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা চিবুলকোভা

## দুতি চান্দ রিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে

অলমাটি, জুন ২৫ ঃ

কজাকস্তানগী অলমাটি সহরদা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনেল এঠলেটিক কম্পিটিসন্দা ইন্দিয়াগী নুপীগী এঠলিট দুতি চান্দনা মিটর ১০০ গী লমজেলদা সেকেন্দ ১১.৩০ চেন্দুনা চহী অসিগী ওগষ্ট ৫ দগী ২১ ফাওবা ব্রাজিলগী সহর রিও দি জেনৈরোদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসকী নুপীগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী রাজ্য উরিষাদগী হৌরকখিবী দুতি চান্দনা ব্রাজিলগী রিও ওলিম্পিক্সকীদমক নুপীগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা থল্লিবা সেকেন্দ ১১.৩২ গী মতম অদুদগী ফজদুনা ঙরাং সেকেন্দ ১১.৩০ দা চেন্দুনা অলমাটিগী কম্পিটিসন অদুদা নুপীগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেডল ফংবদা নত্তনা রিও ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

পনবা য়াবদি দুতি চান্দা ২০১৪ গী কম্মন ৱেল্ঠ গেমসতা মশাদা লৈবা টেষ্টোষ্টেরোন হোর্মোনগী চাং ৱাংই হায়বগী ৱাফমদা মহাকপু গেমস অদুদা শান্নবা য়াহনখিদবগা লোয়ননা মশান্না অসিদগী সস্পেন্দ তৌখিবনি। অদুবু আই এ এ এফ কী হাইপর এন্দ্রোজেনিজম লোগী মখাদা মহাক্কী হোর্মোন লেভেল অদু অয়াবা পীরকপদগী অলমাটিগী কম্পিটিসন্দা মহাক্না মকোক ওইবদা নত্তনা রিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।



রিও ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবী ইন্দিয়াগী এঠলিট দুতি চান্দ

Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*